# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, SEPTEMBER 11, 2018 **PAGE 7**




*অহানবা ওইনা যুএস ওপন চেম্পিয়ন্সিপ্তা*
*যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসপু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন*
*ওইখ্রবী জপানগী নাওমি ওশাকা*

*সেপ্টেম্বর ১১দগী হৌগদৌরিবা জপান ওপনদা শরুক*
*য়াগদবী হান্না নুপীগী বেটমিন্টনগী নম্বর ৱান ওইরম্বী স্পেনগী*
*শান্নরোই কেরোলিনা মারিন*



## নোভাক জোকোভিচনা নুপাগী সিঙ্গলসকি যু এস ওপন টাইটল লৌখ্রে, ৱিমেন্স দবলসকি চেম্পিয়ননা এসলিগ বার্টি অমসুং কোকো ভান্দেৱেগীগী পেয়রনা ফংখ্রে



*যুএস ওপন চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জোকোভিচ (য়েৎ), ১দি রন্নর্সঅপ তাখ্রবা জোন মার্টিন দেল পেট্রো (ওই)*

*নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

সর্বিয়াগী টেন্নিস ষ্টার নোভাক জোকোভিচনা নুপাগী সিঙ্গলসকি যু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকি টাইটল লৌখ্রে। নুপীগী দবলসকী টাইটলনা এসলিগ বার্টি অমসূং কোকো ভান্দেৱেগী পেয়রনা লৌখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকি টাইটল লৌবা ঙমখিবা তরুকশুবা সিদেদ সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা অহুমশুবা সিদেদ ওইবিরা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পেত্রোবু অহানবা সেটতা ৬–৩দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

নোভাক জোকোভিচনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনা য়াম্না চেকশিন্না অনিশুবা সেট মায় পাক্লবা হোৎনরকখি। য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লনা শান্নখিবা সেট অদু সরর্বিয়াগী নোভাক জেকোভিচনা টাই ব্রেকতা ৭–৪দা মায় পাকখি।

মখা তাবা সেট ওইনা অহুম শুবা সেট শান্নবদসু টেন্নিসকি শক্লাইরবা শান্নরোই নোভাক জোকোভিচনা ৬–৩দা মায় পাকপদগী ষ্টেট সেটতা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন পোত্রোবু মায়থিবা পীরম্বনি।

পনবা য়াই নোভাক জেকোভিচনা সেমি ফাইনেলদা ২১শুবা সিদেদ ওইবিা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ৬–৩, ৬–৪,৬–২দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থিহৌরবা জোন মার্টিন দেল পোত্রোনা সেমি ফাইনেল মেটচা য়াম্না শিংথানিঙাই ওইনা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিব স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

যুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপাগী সিঙ্গলসকি টাইল ফংখ্রবা সরবিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা হৌখিবা চয়োল ৮দা ৱিমল্লেদন অমসুং যু এস ওপন য়াওনা অচৌবা টাইটল অহুম লৌবা ঙমখি।

অনাবা অমনা মরম ওইদুনা খুনিংদা সরর্জরি তৌখিবদা ঙাইরিবা টেন্নিস ষ্টার অসিনা সিজন অসিগী গ্রান্দ স্লাম টাটল লৌগনি হায়বা থাজবা কা–হেন্না থম্নরুদবনি।

ৱিমল্লেদন চেম্পিয়ন ওইরিবা নোভাক জোকোভিকনা মহাক্কি অহুমশুবা যু এস ওপনগী টাইটল ফংবা ঙম্বা শান্নরোই ওইরি। দেল প্রোত্রোগী শাফু কনবা সরভিস নিংথিনা মায়োক্লদুনা দিফেন্সিপ স্কিল নিংথিনা লৈবা অসসুং কোর্ট থুংনা চেনবা ঙম্বনা জোকোভিক্লা সিজন অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী দবলসকযু এস ওপন টাইটলগীদমক ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা অষ্ট্রেলিয়াগী এসলিগ বার্টি অমসুং যু এসকি কোকো ভান্দেৱেগীগী পেয়রনা হাঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রাঞ্চকি খৃষ্টিনা লাদোনোভিকপু থোইদুনা দবলসকি টাইটল অদু লৌখিবনি।

নুপীগী দবলসকি ফাইনেল অদুগী অহানবা সেট টিমিয়া বাবোস অমসুং খৃষ্টিনা লাদোনেভিককি পেয়রনা ৬–৩দা থোইখি। অদুবু অনিশুবা সেটতা এসলিগ বার্টি অমসুং কোকো ভান্দেৱেগীগী পেয়রনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা ৭–৬(৭–২) দা মায় পাক্তুনা সেট অমমম মান্নহনবা ঙমখি।

সেট অমমম মায় পাক্লরবা নুপীগী দবলসকি টিম অনিমক্লা টাইটলগীদমক অরোইবা সেট ওইবিরা অহুমশুবা সেটতা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। থাক মান্ননা অকনবা লম্বা মায়োক্লখিবা সেট অদু টাই ব্রেকটা এসলিগ বার্টি অমসুং কোকো ভান্দেৱেগীগী পেয়রনা ৭–৬(৮–৬)দা থোইদুনা সেট অমা হেন্না মায় পাকখিবদগী মেটচ অদু থোইখি।



*যুএস ওপনগী নুপীগী দবলস চেম্পিয়ন এসলিগ বার্টি ১দি কোকো ভান্দেৱে*

## ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেটরশিং আই সি সি চেম্পিয়ন্সিপকীদমক শ্রী লঙ্কাদা চৎকদৌরি

*নিউ দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

ইন্টরনেস্নেল ক্রিক্কেট কাউন্সিল ( আই সি সি) ৱুমেন্স চেম্পিয়নসিপকি অহুমশুবা রাউন্দগীদমক ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিক্কেট টিম সেপ্তেম্বর থা অসিগী ১১দগী ১৬ ফাওবা শ্রী লঙ্কাদা চৎনবা ক্রিক্কেটকি গভর্ননিং বোদিনা লাওথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিক্কেট টিম অদু মিথালি রাজনা কেপটেন ওইরগা তানিয়া ভাটিয়া, একটা বিস্ক, রাজেস্বরী গায়াকৱাদ, ঝুলন গোস্বামি, দায়ালন হেমালাথা, মানসি জোসি, হরমনপ্রিট কোর, ভেদা কৃষ্ণমুরথী স্মৃীটি পান্দে, পুনম রাওট, জেমিমাহ রোদরিদগস, দীপটি শর্ম্ম অমসুং পূনম য়াদব য়াওগনি।

ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা সেপটেম্বর ১১দা অহানবা ৱান দে ইন্টরনেস্নেল (ও দি আই) গেলদা শান্নগনি, অনিশুবা ওদিআইনা অহানবা ওদিআই শান্নখিবা মফম গেলদা সেপটেম্বর ১৩দা অমসুং অহুমশুবা ও দি আইনা কুটুনায়াকেদা সেপটেম্বর ১৬তা শান্নগনি।




*আইসিসিসি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবী ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং*

পোইন্ট টেবলগী মখা থংবদা লৈরিবা লৈবাক মরি হায়বদি শ্রী লঙ্কা, ইন্দিয়া, ৱেষ্ট ইন্দিস অমসুং সাউথ অফ্রিকানা মখোয়গী মথক্তা পোইন্ট হেন্না ফংদুনা লৈরিবা অষ্টেলিয়া, ইংলেন্দ, পাকিষ্টান অমসুং লিয়েন্দরস নিউ জিলেন্দনা

আই সি সি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপু ২০২১ ক্বালিফাই ওইনবা মায়োক্লগনি।

শ্রী লঙ্কানা হোষ্ট ওইদুনা সেপটেম্বর ১১দগী ১৬ ফাওবা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা সেরিজ অসি টিম অনিমক্কি ওইনা য়াম্না মরুওইরিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি দিফেন্দিয়ং চেম্পিয়ন অষ্টৈয়লিয়াগী মখুৎতা হন্দক্তা মায়থিখিবা অদুদগী হান্নগী ফৌমদা হল্লক্লবগী খুদোং চাবা অমনি। অদুম ওইনমক শ্রী লঙ্কাগী ওইনদি মমাঙদা ইন্দিয়াগী মখুৎতা ০–৩দা মায়থিখিবা অদু কাওথোক্তুনা মখোয়গী একাউন্ট হোম গ্রাউন্দদা হাংদোক্লবগী খুদোংচাবা লৌহৌনবনি।

চথগদৌরিবা সেরিজ অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া টিমগী স্কিপ্পর ওইনবা খনখ্রবা মিথালিনা হায়, ঐখোয়না তশেংনমক ঐখোয়দা লৈরিবা থৌনা অমদি পাঙ্গল পুথোক্তুনা পোইন্ট য়াম্না ফংনবা শান্নগনি। মসিগী সেরিস অসিগীদমক ঐখোয় নিংথিনা শেম শারে অমসুং মসিগী সেরিজ অসিনা ৱেষ্ট ইন্দিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱিমেন্স ৱার্ল্ড টি২০গীদমক শেম শানবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমনি হায়খি।

## পাকিষ্টানগা থেংনগদবসি অতোপ্পা মেটচ অমখক্তনি ঃ কোন্সটেনটাইন

*চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ) সুজুকি কপকি গ্রুপ বিগী মেটচশিংদা শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিপস মায়থিবা পীরম্বা ইন্দিয়া সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রে। সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়া টিমনা পাকিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা অসি অতোপ্পা মেটচ অমখক্তনি হায়না ইন্দিয়া টিমগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইননা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কা অমসুং মালদিপসপু পাঞ্জল ২–০গী মার্জিনদা মথং মথং থোইরম্বদগী সেপচেম্বর ১২দা পাকিষ্টানগা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্ননবা লম্বী শেমখিবনি।

সেমি ফাইনেল মেটচদা লম্বা পানগদৌরিবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টান ইকোন কোনবা ওইনা ইং ২০১৩গী সেপ্তেম্বরদা কাটমান্দুদা শন্নখিবা ওফিসিয়েল মেটচতা সোলিদরি গোলগী মতেংনা ইন্দিয়ানা থোইখিবনি।

অমরোমদা পাকিষ্টান চহি ১৩গী মতুংদা সাফ সুজুকি কপকি লাষ্ট ফোরদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্বা টিমনি অমসুং তরেৎলক টিম ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়াগা মায়োক্লনগদবনি।

সাফ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নেপাল অমসুং মালদিপস লম্বা তৌনরগনি।

নেপাল টিমগী মতাংদা ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইননা নেপালনা মেটচ খরা য়াম্না নিংথিনা শান্নখি অমসুং মখোয় সেমি ফাইনেল চংলকপা মরম চাই । ইন্দিয়া টিমনা পাকিষ্টানগা শান্নগদবা মেটমায় পাক্তুনা নেপালগা ফাইনেল মেটচ শান্নবগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা মালদিপস কা শান্নখিবা মেটচতা মোষ্ট ভেল্যুয়েবল প্লেয়রনি হায়না লাওথোকখিবা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা শান্নরোই মনভির সিংহনা হায়, ফুটবোল্লর অমা ওইনা য়াম্না নুঙাইখিবা মিংকুপ অসি মহাক্লা ইন্দিয়াগীদমক অহানবা ইন্টরনেস্নেল গোল চনবদুনি।

লৈবাক্কিদমক পাঞ্জল চনবা হায়বসি য়াম্না অখন্নবা অমনি। অহানবা পাঞ্জল অদুদা পুক্লিংদা তোঙানবা ইথিল পীখি। পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অদুনা টিমগীসু মায় পাকপা ওইখি অমদি হৌজিক ঐখোয়না সেমি ফাইলেগীদমক শেম শাদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

## জপান ওপন ঃ অহুমশুবা সিদেদ পি ভি সিন্ধুদা থাজবা থম্নরি

*নিউ দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

এসিয়ান গেমসকি সিলভর মেদালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর পি ভি সিন্ধু লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌবিা জপান ওপনগী ফাইনেল চংবা ঙমদুনা টাইল লৌবা ঙমগনি হায়না থাজবা থম্নরি।



ইন্দিয়াগী সট্লর ষ্টার পি ভি সিন্ধু সিজন অসিদা থোইদোক হেনদোকপা পর্ফোমেন্স পীদুনা চহিসিদা পাঙথোকখিবা অচৌবা ইভেন্টশিং ওইরিবা কমনৱেল্ঠ গেমস, ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অমসুং এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী শান্নরোইনি।

ওলিম্পিক সিলভর মেদালিষ্ট ইন্দিয়াগী সট্লর ষ্টার অসিনা ইভেন্ট অসিগী মকোক থোংবা লৈবাক ওইরিবা চাইনা অমসুং কোরিয়াগী সট্লরশিংগা অকনবা লম্বা মায়োক্লগদৌরি।

মশাগী চহি ২৩খক্তঃ ঙাইরিবী সট্লর অসিনা মহাক্কি অহানবা মেটচ ওইনা জপানগী সট্লর সায়াকা টাকাহাসিগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগনি। পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল শোয়দনা য়ৌগনি হায়না থাজনদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কেরোলিনা মারিন নত্রগা জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা থেংনরবা য়াই হায়না পানরি।

ওফিসিয়েল ওইনদি দাইহাটসু য়োনেক্স জপান ওপন ২০১৮ হায়না খঙনবা জপান ওপন ২০১৮ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি জপানগী কেপিটেল সিটি টোকিয়োদা লৈবা মুসাসিনো ফোরেষ্ট স্পোর্ট প্লাজাদা সেপ্তেম্বর ১১দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি শেলগী মনা ওইনা দোলর ৭০,০০০সু পীগনি।

চহিসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি ১৬শুবা টুর্নামেন্টনি অমসুং মসি জপান ওপন চেম্পিয়নসিপকি শরুক অমা ওইনা ইং ১৯৭৭দগী পাঙথোক্লকখিবনি।

নিপোন বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মুসাসিনো ফোরেষ্ট স্পোর্টস প্লাজাদা চথগদৌরিবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি সিঙ্গল অমসুং দবলস হায়দুনা ইভেন্ট অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা অথোই অহেন তান্নগনি।

ইভেন্ট খুদিংমক্তা লৈবাক ৮দগী লাকপা মশক নাইবা শান্নরোইশিং অমদি টিমশিংনা লম্বা মায়োক্লগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকি কাংলুপতা সট্লর ভিক্টর এজেলসেন, সি য়ুকি অমসুং কেন্টো মোমোটানচিংবা শক্লাইরবা সট্লরশিং শরুক য়ারি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি কাংলুপ্তুনা টাই জু–য়িং, অকানে য়ামাগুচি অমসুং পি ভি সিন্ধুনা মকোক থোংবা শান্নরোই ওইনা শরুক য়াগনি।

## আই এস এস এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী জুনিয়র স্কিট টিম ক্বালিফাইয়িংদা মকোক থোংখ্রে অদুবু মেদল অমত্তা লৌদ্রে

চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ১০ঃ

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা ইন্টরনেস্নেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদেরসন ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকি ঙসি শান্নখিবা নুপাগী জুনিয়র স্কিট টিম ক্বালিফাইয়িংদা ইন্দিয়া টিমনা মকোক থোংবা ঙমখ্রে অদুবু মেদল অমতা ইন্দিয়াগী ওইনা লৌবা ঙমখিদ্রে।



নুপাগী জুনিয়র স্কিট ক্বালিফাইয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা সুট্টর গুরনিহাল সিংহ গারচানা ৭৫গী মনুংদা সোট ৭৩ কাপতুনা অনীশুবা মফম কনখি। ইন্দিয়া টিমগী অতোপ্পা সুট্টর অনন্টজিট সিংহ নারুকানা সোট ৭১ কাপতুনা ১১শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা অয়ুস রুদ্রারাজুনা সোট ৭০ কাপতুনা ইন্দিভিজুয়েলগী ১২শুবা মফমদা লৈখি।

ইন্দিয়া টিমগী সুট্টরশিং অসিগী অপুনবা স্কোর ২১৪ ফংদুনা টিম ইভেন্ট অসিদা মকোক থোংবা মফমদা লৈখি।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ পিষ্টোল ইভেন্টতা পোন্ইট অহুমখক ৱাৎহৌবদগী কমনৱেল্থ গেমস গোল্ড মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভানৱালা ফাইনেল চংবা ঙমহৌদ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসনস জুনিয়র ইভেন্টতা মরিশুবা পোজিসন তাহৌবদগী ইন্দিয়াগী সুট্টর এসৱারয়া প্রতাপ সিংহ তোমার মেদল ফংনবগী খুদোংচাবা নানথোকহৌরে।

এসৱারয়ানা সোট ১১৫৫ কাপতুনা ফাইনেল ক্বালিফায়র ইভেন্টতা মঙাশুবা মফমদা লৈখিবনি। নুপা সুট্টর নিপাননা লম্বা তৌনখিবা মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসন জুনিয়র ফাইনেল ইভেন্ট অদুদা মহাক্লা মেদল ফংনবা তাংকক কয়া লৈখি অদুবু অপুনবা স্কোর ৪৩১.৭ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈহৌবদগী মেদল ফংহৌদবনি।

চাংৱোনদা চথরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসন জুনিয়রদা ফটেহ সিংহ ধিল্লোন ক্বালিফাইয়রদা সোট ১১৩৮ কাপতুনা ৩৮শুবা পোজিসন তাহৌরে। ইভেন্ট অসিমক্কি সিসাম গোর্জ শাজননা স্কোর ১১২৪ ফংদুনা ৪৭শুবা পোজিন তাখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল ৩ পোজিসন জুনিয়র টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়া টিম অপুনবা স্কোর ৩৪১৭ ফংদুনা ১০শুবা মফমদা লৈখি।

অমরোমদা নুপীগী মিটর ৩০০গী রাইফল প্রোন ক্বালিফাইয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর লাজ্জা গোস্বামিনা পোইন্ট ৫৭৭ ফংদুনা ১৭শুবা মফমদা লৈহৌরে। অদুগা ইভেন্ট অসিমক্তদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর রানাজানা জুপতানা পোইন্ট ৫৫৬ ফংবদগী ৩৩শুবা মফমদা লৈখি।

## যু ই এফএ নেসন্স লীগতা সাইপ্রস, ফ্রাঞ্চ অমসুং লৈচটেনষ্টাইন মায় পাকখ্রে

*লন্দন, সেপ্টেম্বর ১০ঃ*

যু ই এফ এ নেসন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সাইপ্রস, ফ্রাঞ্চ অমসুং লৈচটেনষ্টাইন মখোয় মখোয়গী লম্বা ওইখিবা টিমশিং মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখ্রে।।



ঙসি লন্দন্দা শান্নখিবা যু ই এফ এ নেসন্স লীগকী মেটচ অমদা সাইপ্রসনা স্লোভেনিয়াবু ২–১দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনিটতা স্লোভিনিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই রোবর্ট বেরিকনা চনখিবনি।

পাঞ্জল অমা হেন্দুনা মাঙজিল থাদুনা শান্নখিবা স্লোভেনিয়াগী টিমগী মায়োক্তা সাইপ্রসকি শান্নরোইশিংনা নিংহন্নবা লৈতনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকখি। লিংজেল মান্ননা সাইপ্রসকি শান্নরোইশিংনা শান্নরকপদগী মখোয়গী মথক্তা প্রেসর পীরমখিবা স্লোভেনিয়াগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৯শুবা মিনিটতা পিরোস সোটিরিউনা পাঞ্জল চনখিবদগী ইক্কেলাইজ তৌবা ঙমখি।

পাঞ্জল মান্ননা শান্নরকপদগী টিম অনিগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী মেটচ অদু থোইননবা অকনবা লম্বা মায়োক্লখি। অদুবু সাইপ্রসকি শান্নরোই পিটর ষ্টোজানোভিকনা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনিটদা পাঞ্জল অমা হাপচিনদুনা মেটচ অদু ২–১দা মাঙজিল থাখি। মেটচকি মখা তাবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী সাইপ্রসনা মেটচ অদু ২–১দা মায় পাকখিবনি।

লীগ সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা ফ্রাঞ্চনা নেদরলেন্দসপু ২–১দা থোইখি। ফ্রাঞ্চকি মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কাইলিয়ান মবাপ্পে অমসুং ওলিভিয়র গিরোদনা মথংশিংনা শান্নবগী ১৪শুবা অমসুং ৭৫শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নেদরলেন্দসকি অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনিটতা রাইন বাবেলনা চনখিবনি। ফ্রাঞ্চ টিমগী শান্নরোই এন্টোনি গ্রিজমান অমসুং বেঞ্জামিন পাবার্দ শান্নবদা ফাওল তৌবগীদমক মেটচ রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। অদুবু মায়থিহৌরবসু নেদরলেন্দসকি শান্নরোইশিংনা মখোয়গী মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোইশিংদা থোইদোকপা অরানবা তৌদবনা য়েল্লো কার্দ অমত্তা পীখিদে।

যু ই এফ এ নেসন্স লীগকি ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমনা লৈচটেনষ্টাইননা গিব্রাল্টারবু ২–০দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনিটতা লৈচটেনষ্টাইনগী শান্নরোই দেন্নিস সালানোভিকনা পাঞ্জল চনশিন্দুনা গিব্রাল্টারগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীবা হৌখি। লৈচটেনষ্টাইনগী মায়কৈদগী চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকপদা ফাউল তৌই হায়দুনা গিব্রাল্টারগী শান্নরোই অনি য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

গিব্রাল্টারগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদনা শান্নরিঙৈ ৭২শুবা মিনিটতা লৈচটেনষ্টাইনগী অতোপ্পা শান্নরোই সান্দ্রো ৱিইজরনা পাঞ্জল অমা অমুক চনশিনবদগী মেটচ অদু ২–০দা মায় পাকহনখি।